জেনোসাইদ চথখিবগী মরাল শীবা লৈরবসু ওং সান সু চিগী পার্টিনা টর্ম অমগসু ওইরবা য়ারি

নেপিটৌ, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী) : ম্যান্মারদা মীওৎ মীনৈ কয়া চথখিবা মিলিটরি লৈঙাক লোইশিনখিবা মতুংদা পাঙথোক্পা অনীশুবা দেমোক্রেটিক জেনরেল ইলেক্সন্দা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নোংমাইজিং নুমিৎতা ভোট থাদনরগনি। মীখল অসিদা কাঙলূপ্তা যূম্ফম ওইরগা ভোট পীনবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ কন্সিল্লকপদগী হকশেলগী মতাংদা নুংনাংবা কয়া লৈরিবসি মমি তাগনি হায়না থাজনরি।

নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা ওং সান সু চি অমসুং মহাক্কী নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি পার্টি (এন এল দি) না কুম্জা ২০১৫গী মীখলদা চাউনা মায় পাক্নুনা চহী ৫০ চুপ্লা শুপ্লম অমদি মীওৎ মীনৈগী মিলিটরি লৈঙাক লৈরম্বরা মতুংদা অহানবা সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট শেমখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি য়াঙ্গোন্দা লৈবা মীয়াম্না সু চিনা চাওখৎ খোঙথাংশিং পুরক্কনি অমসুং মপূং ফাবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইহনগনি হায়না থাজনখি। চহী মঙাগী মতুং অসিদসু মহাক মশীং য়াম্বা ইথনিক বামার কাঙবু মরক্তা য়াম্না পোপ্যুলর ওইরিঅমসুং মহাক্কী পার্টি এন এল দিনা টর্ম অমসু পায়রগনি হায়না থাজনরি।

মিলিটরি লৈঙাক লোইশিনখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন অসিগী মতাংদা য়েংশিনবা য়াবা ৱাফমদি লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসিগী ঈহৌগী লুচিংবী ওং সান চু চিবু মীয়াম্না কয়াম্না পাম্নরিবগে হায়বা অসিনি। মালেমগী ওইনদি মহাক হৌজিক নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মতম অমদা শক্ল-শোন্নখিবা দেমোক্রেটিক আইকোন অদু ওইদ্রে। মসি মরু ওইনা লৈবাক অসিগী মীশিং য়ামদবা ইথনিক রোহিঞ্জা মুসলিমশিংগী মায়োক্তা মিলিটরিনা লালহৌবশিং তকথোকপগী মীংদা চথখিবা কেম্প্যেনগী মতাংদা উৎখিবা মহাক্কী থৌওংগা মরী লৈনৈ। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ম্যান্মারগী মিলিটরি কেম্প্যেন অদুবু কাঙলূপ অমবু তোরা তুনা হাৎনবগী থৌওংনি হায়বদি জেনোসাইদনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুম্জা ২০১৬তগী ২০১৭ ফাওবা চথখিবা মীশি মীনা কয়া য়াওখিবা রখাইন ষ্টেটতা চথখিবা শাথীরবা মিলিটরি কেম্প্যেন অদুনা মরম ওইদুনা রোহিঙ্গা ৭৪০,০০০ হেন্না ম্যান্মার থাদোক্তুনা য়ূমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেনখি। আর্মিগী কেম্প্যেন অদুদা হিংহৌবা কয়ানা গেং রেপ, পাক্তক্না হাৎপা-তুপ্পা, টোর্চর তৌবা অমসুং য়ূম-কৈশিং পাক শন্না মৈ থাদোকপা য়াওনা অকি তুজুংনীংঙাই ওইরবা ৱাফম কয়া লীদুনা তমখি।

ম্যান্মারনদি টেররিষ্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা কেম্প্যেননি হায়রদুনা লৈবাক অসিদা আর্মিদা শীরক্লিবা মরালশিং য়াদ্রি। নীংতম্না থবক তৌবা ইলেক্সন ৱাচদোগ পিপলস এলাইএন্স ফোর ক্রেদিবল ইলেক্সননা কুম্জা ২০২০দা লৌবা সর্ভে অমদগী লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭৯না সু চিদা থাজবা থল্লি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিদা মীয়াম্না য়ানবা ইফেক্টিভ ওপোজিসনসু লৈতে হায়বা য়াই। সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট মানবা অমা থল্লকপা য়ানবা মিলিটরিনা কুম্জা ২০১০দা শেমখিবা য়ুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (য়ু এস দি পি) না মপূং ওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদসু সু চিগী পার্টিনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরিবনি।

পেনসিলভেনিয়াগী কোর্ট অমনা ইলেক্সন ওফিসলশিংদা ভোট মশীং থিবা লেপ্নবা ওর্দর তৌখ্রে

ফিলাদেলফিয়া, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী): য়ু এসকী পেনসিলভেনিয়া ষ্টেটকী ভোট মশীং থিবদা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট জো বাইদেননা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পতগী হেনগৎখিবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী কোর্ট অমনা ইলেক্সন ওফিসলশিংদা ভোট খরা মশীং থিবা লেপ্পনবা ওর্দর তৌখ্রে।

কোর্টকী ওর্দরঅসি প্রোভিজনেল বেলোটশিংদা চৎনগদবনি। প্রোভিজনেল বেলোট হায়বসি ভোটর খরনা হান্না থাদখিবা পোষ্টেল বেলোটশিংদা য়াওখিবা অশোইবশিং চুমথোক্নবা মখোয়বু ইলেক্সন নুমিৎতা থাদবা য়াহল্লিবা অনীশুবা ভোটনি। রিপব্লিকান পার্টিগী মেম্বরশিংনা ফাইল তৌরকখিবা কেসশিংগী ৱায়েল পীরদুনা কোর্টনা হায়খি মদুদি অসিগুম্বা বেলোটশিং চপ চাবা ৱারেপ তাদ্রিফাওবা তোঙান্না থমগদবনি। তৌইগুম্বসুং ভোটশিং অদুবু খুদক্তা রিজেক্ট তৌগদবনি হায়বা মখোয়গী দিমান্দবুদি কোর্টনা য়াখিদে।

ফিলাদেলফিয়া ইনক্বাইররগী মতুংইন্না, প্রোভিজনেল বেলোট ১০০,০০০ রোম থাদনখি। তৌইগুম্বসুং ভোটশিংদুগী মনুংদা কয়া য়াম্না কোর্টকী ওর্দর অদুনা কোনশিনগদগে হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

ফেদরেল সুপ্রিম কোর্টতা থেংনবা লাকপা পোষ্টেল বেলোটশিং মশীং থিবা লেপহন্নবা হায়জবা ষ্টেট রিপব্লিকান পার্টিগী অতোপ্পা কেস অমসু লোইশিন্দনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা ইলেক্সন নুমিৎকী মতুংদা থুংলবা বেলোটশিং তোঙান্না থম্নবা অমসুং মখোয়বু প্রোসেস তৌদনবা ইলেক্সন ওথোরিটিশিংদা ওর্দর তৌবিনবা শগোলশেল নুমিৎতা পার্টি অসিনা কোর্টতা হায়জখি। মসিগা লোয়ননা থেংনা লাকপা বেলোটশিং মশীং থিবদা য়াওফম থোকপ্রা হায়বগী মতাংদা কোর্টনা লেপ্পলকপা ঙাইনরি।

পোষ্টেল বেলোটশিং লৌশিনবা য়াবগী মতম ষ্টেট অসিগী কোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা শাংদোকহনখি। ষ্টেট অসিদা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ট্রম্পনা ভোট মশীং ২০০,০০০ লোম হেল্লম্বদগী চাদা ৯৮ ভোট মশীং থিবা লোইরবা মতুং ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা খঙহোং হোংলক্তুনা বাইদেন্না ট্রম্পতগী ভোট ১৩,০০০ মাঙজিল থানা চৎখি। মতম অসিদা রিপব্লিকানশিংনা মশীং থিবগী থবক লেপহন্নবা কোর্টতা হায়জখিবনি।

করিগুম্বা বাইদেন্না পেনসিলভেনিয়াদা মায় পাকপা তারবদি মহাক্না প্রসিদেন্সি পায়নবগী খ্বাইদগী য়ামদবা ইলেক্টরেল ভোট মশীং ২৭০দগী হেন্না ফংগনি। কনানা প্রসিদেন্ট ওইগদগে হায়বসি পোপ্যুলর ভোট মশীংনা লেপকদবা নত্তে।

টিগ্রে রিজন্দা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে, ইথিওপিয়াদা সিভিল ৱার থোক্লকপা য়ারি

অদিস অবাবা, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইথিওপিয়ন জেটশিংনা ইরাই নুমিৎতা টিগ্রে রিজন্দা বোম থাদখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা লমদম অদুদা মখা তানা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথখিগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

টিগ্রায়ান ফোর্সশিংনা ফেদরেল মিলিটরি সাইটশিং অমসুং খূৎলায় কয়া সিজ তৌশিনখিবদগী মুক্নবগী ফীভম হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা লমদম অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখিবনি।

অৱাং থংবা লমদম অদুদা সিবিলিয়নশিংনা মীশি মীনা নংদনবগীদমক্তা য়ূম-য়ূমদগী থোক্লগা পুনবা তৌরোইদবনি। এয়র ষ্ট্রাইকশিং মখা চথখিগনি হায়না অবিনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা লৈবাক মীয়ামদা টেলিভিজনগী খূখাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি। মালেমনা নাকল অনীমক্তা পূক্লিং ফাথনবা তৌখিবা আপিলশিংগী ওন্ন-তৈনবদা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নবা হেনগৎলকখিবনি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিনা নুমিৎ কয়ানি শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অসি ফীভম লুশিল্লক্তুনা সিভিল ৱার অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লে হায়বসি উৎলি। তশেংনা সিভিল ৱার অমা থোক্লক্লবদি মীওই মিলিয়ন ১১০ লৈবা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতারক্তবগা লোয়ননা হোর্ন ওফ অফ্রিকাগী লমখৈশিংদা শোক্লক্কনি হায়না এক্সপার্টশিং অমসুং দিপ্লোমেটশিংনা ৱার্নিং তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবিগী ফেদরেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মহাক্কী মীচংশিং ওইরম্বা টিগ্রায়ানশিংগী মরক্তা মতম খরা ৱাফম খরদা য়ানদনা লাকখিবা মতুং য়ূমশকৈশা নুমিৎতা অবিনা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা চথনবা ওর্দর তৌখিবদগী নাকল অনীগী মুক্নবা হেনগৎলকখি। হৌখিবা চহীদা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা অবিনা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) পু ফেদরেল মিলিটরি বেজ অমদা এটেক তৌদুনা খূৎলায় হুরান্নবা হোৎনবগী মরাল শীখি। টিগ্রেয়নশিংগী থৌওং অসি কা হেনমনখ্রে হায়না অবিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা রাদার ইমেজিং সেটলাইট অমা অমসুং ফোরেন সেটিলাইট ৯ থাগৎখ্রে

শ্রীহরিকোটা, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা থাংজ নুমিৎতা রাদার ইমেজিং আর্থ ওবজার্ভেসন সেটেলাইট ঈ ও এস-০১ (হান্নগী আর আই এস এ টি - ২ বি আর ২) অমসুং অতৈ মপানগী সেটেলাইট মাপন থাগৎতুনা ওর্বিটতা মায় পাক্না থমখ্রে।

অতিয়াদা লৈহনখ্রবা ইন্দিয়াগী অনৌবা আর্থ ওবজার্ভেসন সেটেলাইট অদুনা এগ্রিকলচর, ফোরেষ্ট্রি অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী থবক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা ময়েক শেংলবা ইমেজশিং থারক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী স্পেস এজেন্সী ওইরিবা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্চ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) না ফোঙদোকখি। হৌজিকফাওবগী ওইনদি স্পেস এজেন্সী অসিনা ফোঙদোরক্লিবা ওইরবসু সেটেলাইট অসিনা লৌরিবা ইমেজশিং সর্ভিলেন্সকী থবকশিংদসু শীজিন্নগনি হায়রি।

[illegible] / ওঁম নম ভগপতে বশুদেভয় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা **শ্রী সৌবাম অচৌবা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোকপীরম্লগা, হৌখিবা তাং ২৭/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ১১নি পানবা (একাদশি) লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ঈশ্বরগী চরন্দা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৩১/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ১৫নি পানবা (পুর্ণিমা), থাংজ নুমীৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০৮/১১/২০২০ ইং, মেরাগী ২২নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ভগৱান শ্রীবীষ্ণুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং শ্রীহরি সঙ্কির্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীহরিগী চরন্দা কচ্চগনি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শ্রীহরিনাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

(কোভিদনা মরম ওইদুনা শ্রাদ্ধ, নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.০০দা লোইশিঞ্জগনি।)

বিনিত ঃ

সৌবাম মেম্মা দেবী (সহধর্ম্মীনি)
লাংথবাল লেপ ময়াই লৈকাই।

HL-P/7996/6,7,8 # 9856083404

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref :- Mut. Case No. 259/SDC/H of 2020

Lukram Khoimacha Singh S/o (Late) Lukram Ibomcha Singh of Sekmaijin Thongam. *-Petitioner*

-Vrs-

1. (Late) Thoudam Ango Singh S/o (Late) Thoudam Tomcha Singh of Sekmaijin
2. (Late) Md. Fajal Karim S/o (Late) Amerula of Sekmaijin - *OPP*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Kakching, the 6th November, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈননা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি, ককচিং সব দিভিজন খুল নং. ৬৭-হিয়াংলম অরিবা পাট্টা নং. ৬৩১ অনৌবা পাট্টা নং. ৫৫৪গী দাগ নং. ২০৬৯গী লম হেক্টর .৬৫০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃত ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারশিং অসিনা হিংলিঁঙৈদা মথক্কী দংকারি অসিদা য়োন্থোক্লমদুনা ঙসি ফাওবা অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা দংকারিনা মহৈ চারিবা লৌফম্লি, মহাক্কী মিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১৬/১১/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/8006/8 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Hiyanglam***

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 365 SDC/Kumbi/2020

Onkholen Haokip, S/o (L) Chunghao Haokip of Teijang. *-Applicant*

-Vrs-

(L) Chunghao Haokip S/o (L) Semjaon Haokip of Teijang. *- OPP*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Kumbi, 07/11/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি, খুল নং ৯৮- তোর্বুংদা লৈবা পাট্টা নং. ৫৬৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১২৮/৪১১ এরিয়া ২.৫০ একর চাওবা লম- ফৌরেল লৌফম অসিগী পাষ্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেকসন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

HL-P/8008/8 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi**

[illegible] / নুংশং লায়নাগীদমক্তা ওজা কবিরাজ ABDUL HAK মতীক চাই

ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756কী লায়েং মখাদা ইশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হীদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পূন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা ফংবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি। ঙসিমক তানবীয়ু ওজাগা, পাইলসকী অনাবনা- খ্বাঙ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, খোঙ হাম্বা মতমদা চেখাইরগা থুপ্পা-শাবা, শৌজ নাম্থবা, চিকপা নাবনা হম-হম লাকপা, অমাংতোঙ মপান্দা ফুরিদৌনা অপোম্বা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা অমসুং চানিং-থক্লিংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিং।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

থাগৎচরিবা : **M. Prakash Meitei**
Heirok Part 1

HL-B/6457/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 158/SDC/Bishnupur, 2020

1. Leimakhujam Lili Devi D/o (L) Menjor Singh of Bishnupur W/ No. 5.
2. -do- Ritam Singh S/o (L) -do- of -do- - Petitioners

-Vrs-

Laimakhujam Menjor Singh S/o (L) Bokul Singh of Bishnupur Kha.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Bishnupur, the 7th November, 2020

Under section 46 (3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Leimakhujam Menjor Singh S/o (L) Bokul Singh of Bishnupur Kha গী মিংদা পানবা খুল নং ৩৮-বিষ্ণুপুর খাগী Patta No. 270 (old) 445 (new) C.S. Dag no. 1147 অমসুং 1151 গী 1.52 acres and 0.50 acres চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপিল (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/8009/8 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

[illegible] / অমাংথোঙ ময়াদা মফম অনী থোক্লা পোমথোকপা অমদি চিকপা-নাবা অদু ফনবা মীনা হীদাক চাও হায়দুনা হীদাক চারবসু চারিবা ফাওবতং ফবা চাদ্রগনা অমুক হৌরকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা পূক কংখৎপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মফম অনী থোক্লা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, পোমথোরকপা অমদি চিকপা-নাবা অদু ফনবা মীনা ঈশিং অশাবা ফম্মু হায়দুনা ফম্বা, ঈশিং অশাবা ফল্লিঙৈ ঙাইহাক্তং অদু ফবা অদুগা অমুক চিকপা-নাবা হৌরকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নবা হীদাক চারবসু চারিবফাওদং হাম্বা য়াবা, চাদ্রগনা হাম্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পূক কংখৎপা, চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা, চাবা তুমদবা, ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, থজিন শাওগৎপা, চাকখাউ শোকপা মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চক্-চক্ থিল্লকপা, কময়া অনীমক নাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হকচাং চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, থবক শুনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7985/8 *থাগৎচরিবা :* **L. Akash**, Kongba

ꯑꯄꯦꯟꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ / অপেনবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) অপোকপা এল. নবকিশোরনা চয়োল ২ (অনী) লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা লৈবা নুঙ অমা তারকখ্রে। মসিদা ঐনা পেনমনখ্রদুনা ইয়াম্বসিবু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা :- **অথোকপম প্রেমচান্দ মৈতৈ**
তোপ অৱাং লৈকাই

HL-P/8003/8

[illegible] / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/7946/29/10-27/11

জেট কাপথখিবগী মতাংদা চথরিবা থিজিনবগী থবক থুজিন্নবা ইরান্দা তকশিনখ্রে

মোনত্রিএল, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী): হৌখিবা জন্যুৱারীদা য়ুক্রেনগী এয়রলাইনর অমা কাপথখিবা থৌদোক্কী মতাংদা চথরিবা থিজিনবগী থবক থুজিন্নবা ইরাই নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এভিয়েসন এজেন্সীগী গভর্নিং পেনেল অমনা ইরানদা তকশিনখ্রে।

চৈরকসিদা ইরানগী ওফিসল অমনা ক্রাস অদুগী ফাইনেল রিপোর্টথুনা ফোঙদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ইন্টরনেসনল সিভিল এভিয়েসন ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গনাইজেসন অসিগী লৈবাক ৩৬না মেম্বর ওইবা কাউন্সিল অসিনা ইরান্দা ইনভেষ্টিগেসন থুজিন্নবা তকশিনখ্রে। অসুম্না তকশিল্লিবা অসি ইরানগী গ্রাউন্দ-টু-এয়র মিসাইল অমনা য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমা কাপথদুনা মীওই ১৭৬ শিহনখিবা মতুং থা ১০ রোম কান্নরগনি। ঐখোয়না ইরানিয়ন সী এ এগা কয়ারক হন্না ৱারী শানদুনা মখোয়দা থৌদোক্তুগী মতাংদা থিজিল্লিবদু থুজিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট সালভাটোর সিয়াকর্চিটানোনা কন্মিটিগী মীটিং অমদা ফোঙদোকখি। আই সী এ ওদা লৈবা ইরানগী রিপ্রজেন্টেটিভনদি ইনভেষ্টিগেসন অদু করি থাক্তা লৈরিবগে হায়বগী মতাংদা কাউন্সিলদা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীশিনখ্রে হায়খি।

ফাইনেল রিপোর্টতুগী ড্রাফ্ট অমা মপূং ফানা লোইদুনা হৌজিক ট্রান্সলেসন তৌরি হায়না ইরানিয়ন রিপ্রজেন্টেটিভ ফার্হাদ পারভারেশনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রান্সলেটেদ কোপি অদু চয়োল খরগী মনুংদা মেম্বর লৈবাকশিংদা থারগনি।

টোপ সাইন্টিষ্টশিংগী লিষ্টতা য়াওরে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সী) : অসামগী টেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি মেম্বর ৭ মালেমগী মকোক থোংবা সাইন্টিষ্টশিং ওইরিবা অপূনবা সাইন্টিষ্ট মশীংগী চাদা ২গী লিষ্টতা য়াওরে। লিষ্ট অদু য়ু এস এগী ষ্টেন্দফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট টিম অমনা শেম শাবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টদি অদুগী দাটাবেজ থাক ৱাংলবা সাইন্স জর্নেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পি এল ও এস বাইওলোজিদা ফোঙখি। লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা টেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি মেম্বরশিং অদুদি ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী লৈখিদ্রবা প্রোফেসর অশোক কুমার, ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ কম্যুনিকেসন এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর পার্থা প্রতিম শাহু, কেমিকেল সাইন্সেস দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর নিরঞ্জন কারাক, মোলিকুলর বাইওলোজি এন্দ বাইওটেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর অশিশ কুমার মুখর্জি, ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওফ এমিনেন্স প্রোফেসর আর এস সিরোহি, ফুদ এঞ্জিনিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী এদজনক্ট প্রোফেসর সুভেন্দু বাত্তচার্য্যা অমসুং কেমিকেল সাইন্সেস দিপার্টমেন্টকী দিষ্টিঙ্গুইস প্রোফেসর বি এম চৌধরিনি।

ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS

Sl.No.	Post	Vacancy	Experience	Salary
1	Skilled Labour	5	5 to 10 years	Monthly ₹ 3,000/- & Per Day ₹ 300/-
2.	Helper	2	1 year	Negotiable

Contact :- **M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE**
Authorised Franchisee of **Elgi Rubber Company Limited**
Takyel industrial Estate B-6 Factory Building
Imphal West-795001 Mobile No. 9402733209 HL-B/6496/3-10

ꯊꯕꯛ / JOB FOR X AND XII PASS

Lairiksu tamna tamna matam manghandana thabak touba yaraba, ishagi knowledge amasung experience loinana thagi Income su matik chana tanba yaraba Multi National Organisation amagi new branch singidamak tongan tonganba official post 71 gidamak athuba matamda thabak koujari.

Qualification : X, XII, Graduate
Age Limit : Below 35 yrs.
Income : 10,000/- to 37,000/- (P.M)
Facility : Fooding + Lodging available
Visiting Hour : 12 noon to 3 pm.

NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.
All Male or Female or Freshers can apply.

Interest oiba meeoisingna athuba matamda contact toubiraku.

HL-P/7980/4,6,8,10 **Contact : 9774986962, 8837369704**

GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE OF OBJECTION

Imphal, the 6th November, 2020

No. P/M/SR/2018 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Manipur Society for Transfusion Medicine"** on 15th December, 2018 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies,
Manipur

HL-P/8007/8,9,10

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 159/SDC/Bishnupur, 2020

1. Leimakhujam Lili Devi D/o (L) Menjor Singh of Bishnupur W/ No. 5.
2. -do- Ritam Singh S/o (L) -do- of -do- - Petitioners

-Vrs-

Laimakhujam Menjor Singh S/o (L) Bokul Singh of Bishnupur Kha.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Bishnupur, the 7th November, 2020

Under section 46 (3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Leimakhujam Menjor Singh S/o (L) Bokul Singh of Bishnupur Kha গী মিংদা পানবা খুল নং ৩৮-বিষ্ণুপুর খাগী Patta No. 178 (old) 444/651 (new) C.S. Dag no. 1128/1514 গী 0.28 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপিল (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/8009/8 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

[illegible] / পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, পূক্তা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগা শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা নুংঙাইতবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা মতম কুইনা নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, শা-ঙা চারগসু গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, পূক্তা প্রিক-প্রিক খোংবা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা য়াম্বা ৱাবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, নোংমা-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, পোৎ অমা পায়বা মতমদা খূৎশাশিং ইনোপ্তা নোপ্পগা য়াম্না নুংঙাইতবা, পূক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা, য়েৎকী খোঙ অমদি খূৎ য়াম্না তোয়না শিথরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, ফন্বী শোনবা, ফন্বী য়াম্না থুনা-থুনা চৎপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোকপা, ঙকশম মরী নাবা, শায়েং অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/8 *থাগৎচরিবা :* **O. Sadananda Singh,** Thoubal Bazar

---

Government of Manipur
Directorate of Handlooms & Textiles

MANITEX
Manipur International Textile Expo
November 5-15, 2020, Imphal, Manipur

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, the 2nd November, 2020

No. HL-156/H&T/2020: A One-Day MANITEX 2020 Edition will be organized on 13-11-2020 at Urban Haat, Nilakuthi, Imphal East, Manipur. A special pavilion will be arranged in this edition for showcasing/exhibiting the school uniform (shirt, pant, skirt), shoes, school bags manufactured in Manipur as part of self-reliant mission.

Interested persons may register through www.dhtmanipur.com on or before 11-11-2020 for opening of stall in the MANITEX 2020. Products with cost and sizes would be uploaded for promotion of e-market through www.panthoibi.com.

Sd/- **Director of Handlooms & Textiles**,
Manipur.

HL-B/6516/8

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12